## ১৯শুবা চেলেঞ্জ কপ ২০১৭
# চজিং এফ সি না ইমি এফ সিবু ২–১দা মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌখ্রে

*ইম্ফাল,মে ১৬ঃ*
মণিপুর ভেটরান ফুটবোল এসোসিয়েসন ইম্ফালনা শীন্দুনা টিম ৯ না শরুক য়াদুনা থা অসিগী ২০ দা ৱাঙ্খৈগী ই এস য়ু গ্রাউন্দদা শান্নবা হৌখিবা অদুগা মতম খরা লেপ্পুরবা মতুং ১১ ষ্টার স্পোর্টিং য়ুনিয়ন গ্রাউন্দ, অকাম্পাৎতা চথরিবা ১৯শুবা চেলেঞ্জ কপ ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭গী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা চজিং এফ সিনা ইমি এফ সি লাঙ্গোল গেমস ভিলেজপু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা চজিং এফ সি না টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল লৌখ্রে।




ঙসি নোং মরক্তা ইমি এফ সিগা চজিং এফ সি গা লম্বা তৌনদুনা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুদা চজিং এফ সিনা গোল ২–১ দা ইমি এফ সি বু মায়থিবা পীখিবনি।

নাকল অনীমক্না লম্বা চান্না শান্নখিবা মেটচ অদু হেক হৌখিবা মিনট ৪দা ইমি এফ সি গী জাং মিনলেন্না অহানবা গোল চন্দুনা মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ ফাওবা ইমি এফ সি না গোল ১ মাংজিল থাখি।

মাংজিল থাদুনা চৎলিবা গোল অদু মান্নহন্নবা হোৎনদুনা অনীশুবা হাল্ফতা চজিং এফ সি না অকনবা এটেক্ট চথরকপগা লোয়ননা মেটচকী মিনট ৩১ দা মোহন্না গোল অমা স্কোর তৌদুনা গোল স্কোর অদু ইক্যুলাইজ তৌদুনা গোল ১–১দা লৈখি। মদুগী মতুং চজিং এফ সি না হেন্না কনবা এটেক্ট তৌদুনা মেটচকী মিনট ৫৩ দা সগোরনা গোল অমগা স্কোর তৌবদগী চজিং এফ সি না মেটচ অদু মায় পাকপা ঙমখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী লোইশিনবগী থৌরম পাঙথোক্তুনা মকোক–মথং তারবশিংদা মনা য়েন্থোকখি।

ৱিন্নর ওইখ্রবা চজিং এফ সি দা পীরিবা মনাদা রোলিং ট্রোফিগা লোয়ননা শেলগী মনা ওইনা লুপা ৫০,০০০, রন্নর্স অপ তাখ্রবা ইমি এফ সি দা পীরিবা মনাদা রোলিং ট্রোফিগা লোয়ননা লুপা ৩০,০০০ য়াওরি।

ফিয়র প্লেগী মনা ফঙখ্রবা এস ঐচ এস দি ভি এ সদর হিলসতা ট্রোফিগা লোয়ননা শেল ওইনা লুপা ৫০০০, তোপ স্কোরর অমদি বেষ্ট ষ্ট্রাইকর ফঙখ্রবা ইমি এফ সি গী জাংমিনলেলনদা ট্রোফিগা লোয়ননা শেল ওইনা লুপা ৩০০০।৩০০০, মোষ্ট বেলুএবল প্লেয়র তাখ্রবা চজিং এফ সি গী দব্লিউ মোহোনদা ট্রোফিগা লোয়ননা শেল ওইনা লুপা ৩০০০, বেষ্ট মিদফিল্ডর তাখ্রবা চজিং এফ সি গী এস বুধদা ট্রোফিগা লোয়ননা শেল ওইনা লুপা ৩০০০, বেষ্ট দিফেন্দর তাখ্রবা ইমি এফ সি গী নেপোলিয়নদা ট্রোফিগা লোয়ননা শেল ওইনা লুপা ৩০০০ অমদি বেষ্ট গোল কিপর তাখ্রবা ইমি এফ সি গী থাংজমাংদা ট্রোফিগা লোয়ননা শেল ওইনা লুপা ৩০০০গী মনা খুৎশিন্নখি।

ঙসি লোইশিনবগী থৌরম অদুদা মণিপুর সরকারগী হেল্‌ঠ এন্দ ফেমিলি ৱেলফিয়র, লো এন্দ লেজিসলেটিব এফিয়র্স, আর্ট এন্দ কলচর এন্দ কদাগী মিনিষ্টর এল জয়েন্তা কুমারনা চিফ গেষ্ট হান্নগী আই এ এস আর কে নিমাইনা প্রসিদেন্ট অমদি ৱার্ক, সি এ এফ এন্দ পি দি এন্দ আই পি আরগী কম্মিস্নর কে রথাকুমারনা গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াখি।

## ১০শুবা লোক্তাক ট্রোফি
# জি দি সি মায় পাকখ্রে, অনীশুবা মেটচ য়ৈথোকখ্রে






ইম্ফাল, মে ১৬ঃ
নেসনেল হায়ড্রো পৱার কোর্পরেসনগী স্পোন্সর মখাদা ওল মোইরাং ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা ঙরাংদগী হৌনা মোইরাং মাল্টিপর্পস হায়র সেকেন্দরী গ্রাউন্দদা টিম ৮না গ্রুপ অনী থোক্না খায়দোক্তুনা ঙরাংদগী হৌনা চথরকখিবা ১০শুবা লোক্তাক ট্রোফি ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা জি দি সি না অমোফাবু গোল ৩–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

অনীশুবা মেটচতা ৱাই দি এ গা টি ৱাই টি এ গা লম্বা থেংনগদবদা মিনট ১০ রোম শান্নবা হৌরবা মতুংদা নোংনা মরম ওইদুনা মেটচ লোইশিনদনা তোকখ্রে।

অহানবা শান্নবা মেটচতা অমোফাগা জি দি সি গা লম্বা তৌনবদা জি দি সি না গোল ৩–০ দা অমোফাবু মায়থিবা পীখিবনি।

মেটচ অদুদা জি দি সি গী মায় পাকপগী গোল অদু মেটচকী মিনট ৩৪ দা এল বিক্রমম্না অহানবা গোল চনখি।

মিনট ৩৮ দা এল সুন্দরনা অনীশুবা গোল অমদি মিনট ৪৮ দা পিটরনা অহুমশুবা গোল চনখিবনি।

## ১২শুবা তেলৌ সোসাইটি ট্রোফি
# এস টি টি–বি অমদি এফ সি য়ুম্নাম খুনৌ মায় পাকখ্রে

*ইম্ফাল, মে ১৬ঃ*
তেলৌ জোইন্ট কো–ওপরেটিভ ফার্মিং সোসাইটি লিমিটেদনা শীন্দুনা টিম ২০না গ্রুপ ৪ থোক্না খায়দোক্তুনা ইষ্টর্ন য়ুনাইটেদ স্পোর্টিং ক্লব, তেলৌগী গ্রাউন্দদা চথরক্লিবা তেলৌ সোসাইটি ট্রোফি ৭–এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ গী ঙসি অহানবা শান্নখিবা মেটচতা এস টি টি–বিনা এফ সি তেলৌ বিবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।



অনীশুবা মেটচতা এফ সি য়ুম্নাম খুনৌনা ৱাই দি সি এল বিবু ৭–৪ দা মায়থিবা পীখ্রে।

অহানবা শান্নখিবা মেটচতা এফ সি তেলৌ বীগা এস টি টি–বি সেক্তগা লম্বা থেংনবদা এস টি টি–বিনা গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখিবনি। এস টি টি–বিগী মায়পগী গোল অদু মেটচকী মিনট ২ দা সনানা অহানবা গোল, মিনট ১৮ দা ভিম্না অনীশুবা গোল চনখি।

এফ সি তেলৌগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা মেটচকী মিনট ১৪ দা নোবেলনা চনখিবনি।

অনীশুবা মেটচতা ৱাই দি সি এল–বি পুংদোংবমগা এফ সি য়ুম্নাম খুনৌগা লম্বা থেংনবদা এফ সি য়ুম্নাম খুনৌনা গোল ৭–৪ দা মায়থিবা পীখিবনি।

মেটচ অদুদা এফ সি য়ুম্নাম খুনৌগী মায় পাকপগী গোল অদু মেটচকী মিনট ৭ অমদি ৪৫ দা বিতমকুমারনা গোল ২, মিনট ১১ অমদি ৩২ দা অজয়কুমারনা গোল ২, মিনট ১৯দা ঙৌবনা গোল ১ অমদি মিনট ৩৫ অমসুং ৪৮ দা রোমিনা গোল ২ অমগা চনখিবনি।

মায়থিহৌরবা ৱাই দি সি এল–বি পুংদোংবমগী গোল অদুনা মেটচকী মিনট ৪ অমদি ৫০ দা সনামচানা গোল ২, মিনট ২৬ তা লক্কিসন্না গোল অমা অমদি মিনট ৪৯ দা ঙান্বনা গোল অমগা চনখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা হয়েং অহানবা মেটচতা এফ সি সৈজাংনা এস টি টি–এ সেক্তাগা অমদি অনীশুবা মেটচতা এফ সি তেলৌ এ গা সি ঐচ ৱাই য়ু সি চলৌগা লম্বা তৌন্নরগনি।

## রাজমণি নিংশিং হোক্কি টুর্নামেন্ট
# এফসিআই, ৱাইসিসিআইসি অমদি এসৱাইয়ুসি মায় পাকখ্রে

*ইম্ফাল, মে ১৬ঃ*
মণিপুর হোক্কিগী মীয়েং মখাদা য়ুঠ ক্লব ইনফোর্মেসন সেন্টর (ৱাইসিআইসি) কোন্থা অহলুপ্না শীন্দুনা টিম ৮না গ্রুপ অনী থোক্না খায়দোক্তুনা কোন্থা অহলুপ্তা লৈবা ইবুধৌ মাংজিল লাইনদা থা অসিগী ১৪ দগী চথরকখিবা ৫শুবা ৱাই রাজমণি নিংশিং সভেন এসাইদ মেন হোক্কি টুর্নামেন্টগী ঙসি অহানবা শান্নখিবা মেটচতা এফ সি আইনা ঐচ য়ুবু গোল ৭–০দা মায়থিবা পীখ্রে।



অনীশুবা মেটচতা ৱাইসিসিআইসি না এসইৱাইও বু গোল ৬–০দা অমদি অহুমশুবা মেটচতা এস ৱাই য়ু সি না মৈরাবু গোল ৬–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

অহানবা শান্নখিবা মেটচতা এফ সি আই না ঐচ য়ু বু য়াম্না লাকচবা মওংদা গোল ৭–০দা মায়থিবা পীখিবনি। মেটচ অদুদা এফ সি আইগী মায় পাকপগী গোল অদু মেটচকী মিনট ১০ অমদি ৪২ দা এম সঞ্জয়মণিনা গোল ২, মিনট ৩১দা কে ঐচ ৱাংঙম্বনা গোল ১, মিনট ৩৭তা টি ঐচ কিরনকুমারনা গোল ১, মিনট ৪৩ অমদি ৪৭তা এম মন্তোসনা গোল ২ অমদি মিনট ৫৯দা ঐচ অমরজিৎনা গোল ১গা চনখি।

অনীশুবা মেটচতা ৱাই সি সি আই সি না এস সি ৱাই ও বু গোল ৬–১দা মায়থিবা পীখিবনি।

ৱাই সি সি আই সি গী মায়পাকপগী গোল অদু মেটচকী মিনট ৬ অমদি ৪০ দা সৈলিয়েস প্রতাপনা গোল ২, মিনট ১৮ অমদি ২৯দা হবিন্দরনা গোল ২, মিনট ২৬তা দব্লিউ মণিকন্তনা গোল ১ অমদি মিনট ৩২দা দেনিক্না গোল ১গা চনখি।

অহুমশুবা মেটচতা এস ৱাই য়ু সি না মৈরাবু গোল ৬–১ দা মায়থিবা পীখি। এস ৱাই য়ু সি গী মায় পাকপগী গোল অদু মেটচকী ২ অমদি ৩১শুবা মিনটতা এস ঐচ সুরেসনা গোল ২, ১২শুবা মিনটতা রোনেলনা গোল ১ অমদি ২৬, ৩৩ অমদি ৩৫শুবা মিনটতা এম ধনঞ্জয়না গোল ৩ অমগা চনখিবনি।

## খুমন লম্পাক বোক্সিং এরেনাদা ট্রাইয়েল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

*ইম্ফাল, মে ১৬ঃ*
লাক্লিবা জুন ২৬ তগী ৩১ ফাওবা খুমন লম্পাক বোক্সিং এরেনাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট লেভেল বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৭ তা ইম্ফাল ৱেষ্ট বোক্সিং টিম রিপ্রজেন্ট তৌনবগীদমক ট্রাইয়েল সেলেক্সন অমা লাক্লিবা মে ২১গী অয়ুক পুং ৭ তাবা মতমদা খুমন লম্পাক বোক্সিং এরেনাদা পাঙথোক্কনি। মরম অসিনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুংদা লৈবা বোক্সিংগী একাদেমী, ক্লব, ওর্গনাইজেসন, স্কুল অমদি ইন্দিবিজ্যুল বোক্সরশিংনা মরি লৈনবা এজগী চে চাংশিংগা লোয়ননা মতম চানা লাক্লবা খঙহল্লি।

অকুপ্পা ৱারোলগীদমক এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরী জেনরেলগা পাউ ফাওনবীয়ু হায়না রোতোনকুমার হৈস্নাম্না প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট বোক্সিং টিম শেম্নগী ট্রাইয়েল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

*ইম্ফাল, মে ১৬ঃ*
থা অসিগী তাং ২৬ তগী ৩১ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট লেভেল বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৭ দা শরুক য়ানবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট বোক্সিং টিম শেম্নবগী ট্রাইয়েল সেক্লেসন অমা থা অসিগী তাং ২০ গী অয়ুক পুং ৭.০০ তা সাই এস এ জি খুমন লম্পাক্কী বোক্সিং এরেনাদা পাঙথোক্লগনি।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা বোক্সর নুপামচা–নুপীমচা সব–জুনিয়র,জুনিয়র অমদি সেনিয়রশিংনা ট্রাইয়েল সেক্সেসন অসিদা য়াওবা য়াগনি লোয়ননা ট্রাইয়েল নুমিত্তা মশা–মশাগী বোক্সিং কিটস, দেট ওফ বার্থ সর্টিফিকেট অমসুং অধার কার্দ কা লোয়ননা সাই এস এ জি খুমন লম্পাক্তা লাক্তুনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট এমেচর বোক্সিং এসোসিয়েসনদা রিপোর্ট মতম চানা তৌরগদবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

## সিরুই ট্রেক্কিংগীদমক লমথাখ্রে

*ইম্ফাল, মে ১৬ঃ* টুরিষ্টসশিংবু পামজবা মীওই ১০০ হেনবনা সিরুই ট্রেক্কিং প্রোগ্রামগীদমক শ্রী এন ইবুংচৌবীনা লমথাখ্রে। সিরুই ট্রেক্কিং প্রোগ্রাম অসি থা অসিগী ১৬দগী ১৭ ফাওবা সিরুই লিলি ফেষ্টিভেল ২০১৭গী বেন্নর মখাদা পাঙথোক্কদবনি। টিম অসি শ্রী সমোম বিরবন্তা সিংহ (সেনিয়র মেম্বর– এম এম টিএ)না লুচিংবনি। মখা তারকপদা থা অসিগী ১৯ দগী ২০ ফাওবা সিরুই লিলি ফেষ্টিভেলগী বেন্নর মখাদা এম এম টি এন শীন্দুনা খঙখুই কেভ এক্সপ্লোরেসন পাঙথোক্কনি হায়না মণিপুর মাউন্টেন্নিয়ারিং এন্দ ট্রেক্কিং এসোসিয়েসনগী ওন্নরি সেক্রেটরী য়েংখোম সুরচন্দনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।










Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*